**RNU, IMPHAL**
**MANIPURI MORNING NEWS SCRIPT AT 7.30 AM**
**(DATE 11-05-2025)**

--অহানবদা মরুওইবা পাউ--

১) পাকিস্তান্না লাল লেপবা সিজ ফয়ারগী চৎন কাংলোন ঙাকা চৎতবগী থৌওংবু ভারতনা তরাইনা লৌদে হায়রি।

২) রাজ্য অসিদা সেক্যুরিতি ফোর্সনা থি হুম্বগী থবক চত্থবদা তোঙান তোঙানবা লালহৌলুপশিংগী মীওই কয়া অমদি খুৎশু খুৎলায় কয়া ফাগৎলে।

অমসুং

৩) মণিপুরদা অমুক্তং শিজিন্নরগা হুন্দোকপা প্লষ্টিকশিং শিজিন্নদনবা মীয়াম্বু নিংথিনা খঙহনবগী দ্রাইভ মখা তানা চত্থরি।

**------**

মিসরি ঃ ভারতকী ফোরেন সেক্রেটরি বিক্রম মিসরিনা হায়রি- ভারত অমসুং পাকিস্তানগী মরক্তা সিজ ফয়ার তৌনখ্রবা মতুংদা পাকিস্তান্না মদু ঙাকা চৎত্রে। থৌওং অসি ভারতনা তরাইনা লৌদে।

নিউ দিল্লিদা পাউমীশিংদা ৱা ঙাংলদুনা শ্রী মিসরিনা হায়- সিজ ফয়ার থুগাইদুনা পাকিস্তান্না চত্থরকপা থৌওংশিং ভারত লান্মী মতিক চানা পাউখুম পীখি। মহাকা হায়- ওইরক্লিবা ফিভম অসিদা ভারত লান্মীনা মীকুপ নাহুম শিংনা লৈরি। অন্তরজাতিগী ঙমখৈ অমসুং লাইন ওফ কন্ট্রোলদা মখা তানা পাকিস্তান্না

সিজ ফয়ার থুগাইবগী থৌওংশিং চত্থরক্লবদি মদু লাকশিন্নবা ভারত লান্মীদা খঙহন্‌খ্রে।

পুলিস (এল) ঃ সেক্যুরিতি ফোর্সনা রাজ্য অসিগী তোঙান তোঙানবা মফমশিংদা থি হুন্বা অমদি এরিয়া দোমিনেসনগী থবক লেপ্তুনা চত্থরি।

মণিপুর পুলিসনা থোকপা চেরোল অমনা হায়- ইম্ফাল ৱেষ্ট জিলাগী পাৎশোই পুলিস ষ্টেসনগী মনুং চন্না লৈবা শজিরোক তুরেল মপালদগী সেক্যুরিতি ফোর্সনা য়াল্লবা খুৎশু খুৎলায় কয়া ফাগৎপা ঙমলে। মদুগী মনুংদা- মেগজিন য়াওবা সভেন পোইন্ট সিক্স টুগী এস.এল.আর অমা, শেমদোক্লবা থ্রি নোট থ্রি রাইফল অমা, এস.বি.বি.এল নোংমৈ অমা, পোইন্ট টু টুগী রাইফল অনি, ফ্লেয়ার গন অমা, নাইন এম.এম পিষ্টোল অনি, থার্তি সিক্স ঐচ.ই হেন্দ গ্রেনেদ অমা, বাউফেং হেন্দসেট অমা, নোংমৈ মরু খরা য়াওনা অতৈ পোৎলম কয়া ফাগৎপা ঙমখ্রে।

অককবা পাউ অমা ফংবদগী সেক্যুরিতি ফোর্সনা থি হুন্বগী থবক চত্থবদা কে.সি.পি (পি.দব্লিউ.জি)গী এক্তিভ মেম্বর অহুম ফারে। মখোয় তোঙান তোঙানবা সরকারগী বিভাগ অমদি মীয়ামদগী নমদুনা শেল খায়বদা চেন্নবা মীওইশিংনি। মখোয়দগী খুৎশু খুৎলায় কয়াসু ফাগৎপা ঙমলে। ফাগৎলবা খুৎলায়শিং অদুগী মনুংদা- ফাইভ পোইন্ট ফাইভ সিক্স এম.এমগী নোংমৈ ৪৬, ফাইভ পোইন্ট ফাইভ সিক্স এম.এমগী ইন্সাস রাইফলগী মরু ৯, এ.কে. রাইফলগী মরু ৮, চাকা মরি পানবা গাড়ি অমা য়াওনা অতৈ পোৎলম কয়া ফাগৎলে হায়রি।

অমরোমদা, মণিপুর পুলিসনা হৌখিবা ইরাই নুমিৎতা কে.সি.পি.(এম.সি-প্রোগ্রেসিভ)কী মীওই মরি তোঙান তোঙানবা মফমশিংদা ফাগৎখ্রে। মখোয়দগী মরু য়াওবা পিষ্টোল অনি, নোংমৈ মরু ২৭, চাকা অনি পানবা গাড়ি অনি অমদি অতৈ পোৎলম কয়া ফাগৎলে।

সেক্যুরিতি ফোর্সনা ইম্ফাল ৱেষ্টকী লমশাং পুলিস ষ্টেসনগী মনুং চন্না লৈবা ময়াং লাংজিংদগী আর.পি.এফ পি.এল.এগী কাদর অমা ফারে। মহাক সরকারগী স্কুলশিং অমসুং মীয়ামদগী শেল খায়বদা চেন্নবা মীশকি হায়রি।

সেক্যুরিতি ফোর্সনা ঙরাং প্রিপাক (প্রো)গী মীওই অনি ফাগৎখ্রে। মখোয় অনি ককচিং অমসুং থৌবাল জিলাদগী ফাগৎখিবনি অমসুং জিলাশিং অসিগী তোঙান তোঙানবা মফমশিংদা মীয়ামদগী নমদুনা শেল খায়বদা চেন্নবা মীশকনি হায়রি।

অতোপ্পা ওপরেসন অমদা প্রিপাক (জি-ফাইভ)কী এক্তিভ মেম্বর অমা ইম্ফাল ৱেষ্টকী ৱাহেংবা লৈকাই লাইরেম্বী মনিংদগী ফারে।

চাকা মরি পানবা গাড়ি য়াওনা মোবাইল ফোন হুরানবা মীওই মরিসু মণিপুর পুলিসনা ঙরাং ফাগৎপা ঙমখ্রে। মখোয়দগী চাকা মরি পানবা গাড়ি অনি, মোবাইল ফোন ১১ ফাগৎখি।

প্লাষ্টিক (এল) ঃ  দিরেক্তোরেট ওফ ইনভাইরোনমেন্ট এন্দ ক্লাইমেত চেঞ্জ, ইম্ফাল ম্যুনিসিপাল কোর্পোরেসন অমদি মণিপুর পোল্ল্সন কন্ট্রোল বোর্দনা পুন্না শিন্দুনা ঙসি অয়ুক ইম্ফাল ৱেষ্টকী উরিপোক্তা অমুক্তং শিজিন্নরগা হুন্দোকপা প্লাষ্টিকশিং মখা তানা শিজিন্নদনবগী মতাংদা মীয়াম্বু নিংথিনা খঙহান্নবগী থৌরম অমা পাঙথোকখ্রে। মদুদা ফি অমদি চেনা শাবা খাউশিং য়েন্থোকখি। মনা মশিং য়োল্লিবশিং অমদি লৈবা লাক্লিবা মীয়ামদা অমুক্তং  লংথোকপা প্লাষ্টিকা মীওইবদা পীবা অমাংবশিংগী মতাংদা নিংথিনা খঙহনখি অমদি মখা তানা শিজিন্নদনবসু পাউজেল পীখি।

থৌরম অদুদা শরুক য়াখিবা দিরেক্তোরেট ওফ ইনভাইরোনমেন্ট এন্দ ক্লাইমেত চেঞ্জগী দাইরেক্তর ডাঃ তৌরাংবম ব্রজকুমারনা হায়- কেন্দ্র সরকারগী মীৎয়েং মখাদা অমুক্তং শিজিন্নরগা হুন্দোকপা মখলগী প্লাষ্টিক শিজিন্নবদা অথিংবা থমখ্রে । হৌজিকসু মফম কয়াদা দ্রাইভ চথদুনা অথিংবা থমখ্রবা প্লাষ্টিক

মখলশিং ফাগৎপা অমদি ফাইন থিহনবা লেপত্রি। হঞ্জিন হঞ্জিন শিজিন্নবা য়াবা ফিনা শাবা খাউ নত্রগা চেনা শাবা খাউ পাক শন্না শিজিন্নরবদি ঐখোয় মীওইবদা চৈথেং পীরোই অমদি মসিনা প্লাষ্টিক খাউগী মহুৎ শিনবদা চাউনা মতেং পাংগনি।

বঙ্গলাদেশ ঃ মুহমদ য়ুনুসনা লুচিংবা বঙ্গলাদেশকী মরক্কী সরকারনা লৈবাক অদুগী হান্নগী প্রধান মন্ত্রি শৈখ হসিনানা লুচিংবা অৱামি লিগ পার্তিগী থবক থৌরম খুদিংমক্তা অথিংবা থম্বগা লোয়ননা পার্তি অসিগী মথক্তা অমদি মসিগী লুচিংবশিংগী মথক্তা এন্তি তেরোরিজম এক্টকী মখাদা ৱায়েল চত্থরগনি হায়রি। অথিংবা অসি ৱায়েল লোইদ্রিবা ফাওবা লৈগনি হায়রি।

ধাকাগী ষ্টেট গেষ্ট হাউস জমুনাদা ঙরাং চত্থখিবা এদভাইজরি কাউন্সিলগী মীফম অমনা অথিংবা থমবা ৱারেপ অসি লৌখিবনি। মীফম অদুনা ইন্তরনেসনেল ক্রাইম (ত্রিবুনেল) এক্টতা শেমদোক শেমজিন খরা তৌবদা অয়াবা পীখ্রে। হায়রিবা নৌনা শেমদোক্লবা এক্ট অসিদা রাজনীতি দল, মসিগা লোয়নবা লুপশিং অমদি মসিদা থবক তৌরিবা মীওইশিংবু দন্দি পীনবগী ৱাফমশিং য়াওরি।

লোক অদালট (এল) ঃ চান্দেল অমসুং তেংনৌপল জিলাদা অনিসুবা নেসনেল লোক অদালট ২০২৫ ঙরাং পাঙথোকখ্রে। থৌরম অসি মণিপুর ষ্টেট লিগেল সার্ভিসেস ওথোরিতিগী মখাদা দিষ্ট্রিক্ট লিগেল সার্ভিসেস ওথোরিতি চান্দেলনা শিনবনি। লোক অদালট অদুদা পুন্না কেস ১২ লোইশিনখি।

খেল্লো ঃ বিহারদা চত্থরিবা খেল্লো ইন্দিয়া য়ুথ গেমসতা মহারাষ্ট্রনা সনাগী ২৭, লুপাগী ২২, শেঞ্জেংগী ২৫ পুন্না তকমান ৭৪ ফংদুনা মেদল টেল্লিগী মকোক্তা লৈরি।

করনাটকনা সনাগী তকমান ১৪, লুপাগী ১৯, শেঞ্জেংগী ৬ পুন্না তকমান ৩৯, রাজস্থান্না সনাগী ১১ য়াওনা পুন্না তকামনা ২৩ ফংদুনা অনিসুবা অমদি অহুমসুবা মফমদা লৈরি।

মণিপুরনা সনাগী ৬, লুপাগী ৩, শেঞ্জেংগী ৩ পুন্না তকমান ১২ ফংদুনা ৮ শুবা মফমদা লৈরি।

---নিউজ পেপর হেদলাইন্স---

ভারত অমদি পাকিস্তান নোংমৈ কাপবা লেপবা য়ান্নখিবগী পাউ ঙসি ফোংবা পাউচেশিংগী মরুওইবা পাউ ওইনা পাউচে খুদিংমক্কী অহানবা হেদলাইন পীদুনা ফোংনরক্লি।

পাউ অসি শঙাই এক্সপ্রেস মণিপুরী ইদিসনদা ঙরাং নুংথিলদগী ইন্দিয়া অমসুং পাকিস্তানগী মরক্তা সিজ ফয়ার চৎনরে হায়না বেন্নর হেদলাইন পীরি। হেদলাইন অসিগী মখাদা তোঙান তোঙানবা সব হেদলাইন অনিসুবা পীরি। সব হেদলাইন অনি অদুদি- ট্রম্পনা লৈবাক অনিবু থাগৎখ্রে, হয়েং অমুক হন্না ৱারী শান্নগনি। অতোপ্পা সব হেদলাইন অমনা হাই প্রোফাইল তেরোরিষ্ট লুচিংবা মঙা হাৎখ্রে হায়বা পাউ অসিনি।

পোকফম পাউচেদা পাকিস্তান্না হায়বদগী য়ু.এসকী মতেংনা লৈবাক অনিগী মরক্তা সিজ ফয়ার চৎনরবসু পাকিস্তান্না সিজ ফয়ার অমুক থুগাইরকপদগী ইন্দিয়ানা চপ চাবা পাউখুম পীখ্রে হায়না বেন্নর হেদলাইন পীরি। পাউ অসি পিপলস ক্রোনিকল, শঙাই এক্সপ্রেস ইংলিস ইদিসন, মণিপুর মেল, নহারোলগী থৌদাং, সনালৈবাক অমদি হুইয়েন লানপাউদা অহানবা হেদলাইন পীদুনা ফোংনরক্লি।

হুইয়েন লানপাউগী অনিসুবা হেদলাইন অসি প্রসিদেন্টস রুলসকী মহুৎতা লৈঙাক শেম্বা শেমদবগী মতাংদা এম.এল.এশিংগী ৱাফম হায়না হেদলাইন পীদুনা এম.এল.এ অনিনা ফোংদোকখিবা ৱাফমশিং ফোংবা থেংনরে। মদুগী

মনুংদা লৈঙাক শেমবা ২৩ শুরে, অৱাৎপা ৭ মেনশিন্নবা ৱারী শান্নরি হায়না এম.এল.এ- রামেশ্বরনা ফোংদোকখিবা ৱাফম অমদি লৈঙাক শেমগদবা এম.এল.এশিংনা মতিং ফুদোকপা ঙমদ্রে হায়না এম.এল.এ লোকেশ্বরনা ফোংদোকখিবা ৱাফম হেদলাইন পীদুনা ফোংলি।

------